## দোমেষ্টিক ভাইলেন্সকা মরী লৈননা চৎখিবা ফ্রেঞ্চ পুলিস ওফিসর ৩ কাপ্লগা হাৎখ্রে

পেরিস, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স অমগা মরী লৈননা সেন্ত্রেল ফ্রান্সকী মনুং হঞ্জিনবা কম্যুন সেন্ট জষ্টতা লৈবা য়ুম অমদা চৎখিবা ফ্রেঞ্চ পুলিস ওফিসর অহুম নুপা অমনা নোংমৈনা কাপ্লুনা হাৎখ্রে।




দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স অদুগী ভিক্তিমনি হায়বা নুপী অমনা য়ুমথক্তা লোত্নুনা লৈরমখি অমসুং মতুং তারকপদা পুলিসনা রেস্কু তৌথি হায়না ফ্রান্সকী বি এফ এম টি ভি ব্রোদকাষ্টরগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসকী মতুং ইন্না য়ুম অদু মৈ চাকখি অমসুং চাইল্ড মেন্টেনেন্স ইশ্যুগা মরী লৈননা লো ইনফোর্সমেন্টনা মশক খঙবা গনমেনগী হায়বা নুপা অদু কোন্নথংদা মহাক্কী কার মনুংদা শিরম্না থেংনখি হায়রি।

মহাক করম্না শিবনো অমদি মহাক্কী কারদু কন্দাহ্দা লৈরম্বনো হায়বা খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে। পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা মমাঙদা নুপা অদু খুৎলাই পায় লোয়ননা মহাকপু ফান্নবা তান্নরি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌদোক অদু পেরিস সিটিগী খা নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ৫০০ রোম লাপ্না লৈবা সেন্ট জষ্টগী মফম অমদা থোকখিবনি।

ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোননা লৈখিদ্রবা ওফিসরশিংদুগী ইমুংশিংদা অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেল থমখ্রে। ঐখোয়বু ঙাক শেন্নবগীদমক্তা লৈরিবা ঐখোয়গী ফোর্সশিংনা খুদোংথিবা কয়া মায়োক্নখ্রেদুনা থৱায় ফাওবা কখোল্লি। মখোয় ঐখোয়গী হিরোশিংনি হায়না মেক্রোননা ট্বিটরদা ইরকখি।

এটেক অদুদা অশোক অপন নংখিবা মরিশুবা ওফিসর হৌজিমক্কীদি খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে। ওফিসলশিংনা গনমেন অদুগী পান্দমগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদ্রি। লোয়ননা ফ্রান্সকী ইন্টিরিয়র মিনিষ্টরনা এটেকতা অদু অঙাওবগী মতৌনি হায়না ফোঙদোকখি। মশাগী চহী ৪৮ শুরবা গনমেন অদু চাইল্ড মেন্টেনেন্সকী শেনফম পীদবগীদমক্তা লো ইনফোর্সমেন্টনা খঙবা মীশক্নি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, নুপী অমা মহাক্কী নুপানা য়ুবরি হায়বগী পাউ ফওবদগী অয়ুক অঙনবদা লোকেল জেন্দর্ম পুলিস সর্ভিসকী ওফিসরশিং থৌদোক থোক্লিবা য়ুমদা থুংখি। খঙহৌদনা নোংমৈ পায়বা নুপা অদুনা মখোয়গা নোংমৈ কাপশিনলকখিবনি। থৌদোক অদুদা মশাগী চহী ২১ শুরবা ওফিসর অর্নো মার্ভেল নোংমৈ পানবগী শোক্লবা মতুংদা শিখি।

রিইনফোর্সমেন্টনী অনীশুবা য়ুনিট য়াওবা ওফিসর অনী মশাগী চহী ৪০ শুরবা লেফটেনেন্ট কিরিলি মোরেল অমসুং মশাগী চহী ৩৭ শুরবা এদজুটেন্ট রেমি দুপুই মফমদুদা খুদক্তা শিখি। নোংমৈ কাপ্পনী থৌদোক অদুগী মতুংদা পুলিস কম্যান্দরশিংনা রেপিদ রেসপোন্স য়ুনিট অমা থাজিনখি অদু মফম অদু মী চঙ্হন্দনা কোইশিন্দুনা থল্লুনা এটেক্কা অদুগা থিবগী ওপরেসন অমা পাঙথোকখি হায়রি। অঙাওবগী মতৌ চেন্নবা নুপা অদু কোন্নথংদা মহাক্কী কার মনুংদা শিদুনা লৈরম্লে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্টর জেরাল্ড দার্মানিনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

## চাইনানা পাকিস্তানদা দোল্লর বিল্লিয়ন ৬ কী লোনগী অহেনবা গরেন্টিশিং দিমান্দ তৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
মতম অয়াম্বদা শেল থুমগী অৱাবদগী কনবীদুনা লাকখিবা লৈবাক অসিদা য়ুম্লোন্নরিবা মরুপ মপাং ওইবা লৈবাক চাইনানা মহৌশাগা মান্নদবা ঙক্লিঙাই ওইবা মওং অমদা ইস্লামাবাদতা নৌনা পীগদবা দোল্লর মিল্লিয়ন ৬ কী লোনগী শেনফম সেঙ্কসন তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা অহেনবা গরেন্টিশিং পীয়ু হায়না দিমান্দ তৌখ্রে।

পাকিস্তাননা মাইন লাইন (এম এল-১) প্রোজেক্টকা মরী লৈননা চাইনাদগী দোল্লর বিল্লিয়ন ৬ কী লোনগী মতেং নীখি। মদুগা মরী লৈনবা বৈজিংনা ইস্লামাবাদকী অশেংবা ফীভমদু খন্নরগা তুংদা গরেন্টি দিমান্দ তৌখি। পাকিস্তানগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী লায়বা মওংদা শেলগী মতেং পীয়ু হায়বদা চাইনানা কম্মর্সিএল অমসুং কন্সেস্নেল লোন ওইনা প্রপোজ তৌখি।

পাকিস্তানগী গভর্ণমেন্টগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা অহুমশুবা জোইন্ট এম এল-১ ফাইনান্সিং কন্মিটিগী মীফমদা চাইনানা অহেনবা গরেন্টগী ৱাফম অসি পুখৎলকখি। তৌইগুম্বসুং মীফম অদুগী প্রোসিদিংসকী দ্রাফতদি ৱাফম অসি য়াওখিদে।

অহেনবা গরেন্টিগী ৱাফম অসি পাকিস্তাননা জি-২০ গী শেন্দোল কোকহনবগী খুদোংচাবা ফংখিবা মতুংদা হেন্না ময়েক শেংলকখি হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি। মীফমগী অকুপ্পশিং য়াওবা দ্রাফট অদু লৈবাক অনীমক্না সাইন তৌদ্রি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অহেনবা গরেন্টিশিংগী ৱাফম অসি পাকিস্তান রেলৱেজগী দোল্লর বিল্লিয়ন ৬.৮ গী ওইবা এম এল-১ প্রোজেক্টকী মরী লৈনবা দোল্লর বিল্লিয়ন ৬ কী লোনগী অহুমশুবা ফাইনান্সিএল নিগোসিএসন মতুংদা অমুক্কা হেন্না ময়েক শেংলকখি।

পাকিস্তাননা মালেমগী লাইরবা লৈবাকশিংগী অমত্তা ঙাইরবা পান্থৈ ওইরিবা জি-২০ লৈবাকশিংগী শেন্দোল কোকপীবগী খুদোংচাবা ফংখিবগা ঈরোয়ননা চাইনানা গরেন্টিগী দিমান্দ কনশিল্লকখিবনি।

শুপ্নগী আই এম এফ দব্লিউ বি ফ্রেমৱার্ককী মখাদা নত্তনা লায়রবা লৈবাকশিংনা শীংবদা ৱাগদবা কম্মর্সিএল লোনশিং লৌদনবা জি-২০ লৈবাকশিংনা কন্দিসন থমখ্রে হায়নসু গভর্ণমেন্ট ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি। এম এল-১ লোনগী হৌজিক চথরিবা নিগোসিএসন অদুদা য়াওবা অতোপ্পা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা শেন্দোল শিংবা লেপ্নবা জি-২০ না পুথোরক্লিবা রেগ্যুলেসনশিং অমসুং কন্দিসনশিং অদুনা মরম ওইদুনা চাইনানা হৌজিক পাকিস্তানদগী অহেনবা গরেন্টিশিং দিমান্দ তৌরিবনি।

## জর্মনিদা কোভিদ লাইচৎকী ফীভম লুশিল্লক্লে

বর্লিন, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
জর্মনিদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অচৌবা কোভিদ-১৯ কেস ১৯৫২৮ থেংনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অপূনবা কেস মশীং মিল্লিয়ন ১.৫৩ য়ৌরে অমসুং চয়োল অমগী মনুংদা লৈবাক অসিদা নোংমদা থেংনবা ইনফেক্সন হেনগৎলক্লিবসি ৫০০০ গী মথক্তনি হায়না ফেদরেল গভর্ণমেন্টকী লায়না লাকশিনবা অমসুং থিংনবগী এজেন্সি রেকোর্ট কোক ইন্সটিট্যুট (আর কে আই) না ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক জর্মনিদা কোভিদ-১৯ গী ফীভম লেপ্তুনা লুশিল্লক্লি হায়না আর কে আইগী প্রসিদেন্ট লোথর ৱাইলরনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখ্রে। কেস মশীং অমসুং শিবগী মশীং জর্মনিদা লেপ্তুনা ৱাংলক্লগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

জর্মনিদা কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা শিবগী মশীং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৭৩১ হেনগৎখি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা নোভেল কোরোনা ভাইরসনা মরম ওইদুনা মীওই ২৭,০০৬ শিখ্রে।

লায়চৎ লাকশিন্নবা অকনবা লোকদাউন থল্লিবা জর্মনিগী নর্সিং হোমশিংদা লায়না শন্দোকপগী চাং ৱাংখৎকপা উখি। জর্মনিগী হোস্পিটালশিংগী ডোক্তরশিং অমসুং নর্সশিংনা হোৎনবদা ৱাবা মতম য়ৌরক্লে হায়না মহাক্না ৱার্নিং তৌখি।

## নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর ওলি পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী লুচিংবা ওইহনদ্রে

কথমান্দু, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর কে পি শর্ম্মা ওলি রুলিং নেপাল কম্যুনিষ্ট পার্টিগী পার্লিয়ামেন্টরি লিদরগী ফমদগী লৌথোকখ্রে।



হিমালায়ন লৈবাক অসিগী রুলিং পার্টি মনুংদা মুক্নবা লাকপদগী অনৌবা পোলিটিকেল ৱাথোক অমা থোক্লকখিবগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি।

প্রচান্দা হায়নসু খঙনবা পুশপা কমল দাহাল অমসুং মাধব কুমার নেপালগী মরক্তা মীফম অমা পাঙথোকখিবা মতুংদা ওলিবু রুলিং পার্টিগী পার্লিয়ামেন্টরি লিদরগী ফমদগী লৌথোকখিবনি। দাহাল-নেপাল ফেক্সননা হৌজিক প্রচন্দাবু নেপাল গভর্ণমেন্টগী খ্বাইদগী ৱাংবা ফম (পি এম) পায়গদবা পোজিসন ওইরিবা পার্টি অসিগী অনৌবা পার্লিয়ামেন্টরি পার্টি লিদর হাপখ্রে।

ওলিনা অশোয়বা কয়া তৌখ্রে। মরম অদুনা ঐখোয়না মহাকপু পার্টিগী চেয়রদগী অমদি পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী লিদরগী ফমদগী তঙাই ফদনা লৌথোকপনি হায়না মাধব কুমার নেপালনা ফোঙদোকখি। মাধবনা পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী লিদর ওইনবা প্রচন্দাগী মমিং হৌদোকখি।

নেপালনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, করিগুম্বা ওলিনা মশাগী অশোয়বশিং য়াজবগা লোয়ননা এপোলোজাইজ তৌরক্লবদি ঐখোয়না মহাকপু পার্টিদা অমুক হন্না তরাম্না ওক্লবা খন্নগনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা পার্টিগী দাহাল নেপাল ফেক্সনগী সেন্ত্রেল কন্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ওলিবু পার্টিগী চেয়রপার্সনগী ফমদগী লৌথোকপগা লোয়ননা মিনিষ্টর লিদর মাধব কুমার নেপালবু অতোপ্পা চেয়রপার্সন ওইহন্নবা খনখি।

মমাঙদসু নেপালনা পার্টিগী পার্লিয়ামেন্টরি লিদর ওইহন্নবা প্রচন্দাগী মমিং হৌদোকখ্রবনি। চৈরকসিদা এন সী পিগী দাহাল নেপাল ফেক্সননা ইলেক্সন কন্মিসনদা চত্তুনা মখোয়না পার্টিদা মেজোরিটি ওইবনা ওফিসল রেকগনিসন পীফম থোকই হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

ওলিবু শীংনরদুনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরশিং প্রচন্দা অমসুং নেপালনা লুচিংবা রাইবেল ফেক্সননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টরগী মায়োক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎনবা অমসুং মহাকপু পার্টিগী চ্যেরমেনগীফমদগী লৌথোক্লবগী ৱাফম হৌদোকখি।

নেপাল কম্যুনিষ্ট পার্টি (এন সী পি) না নেপালগী রুলিং পার্টিনি। পার্টি অসিগী মথৌ তৌবা চ্যেরমেন অনী ওলি অমসুং প্রচান্দা লৈখি। নেপালবু পার্টিগী মথংগী চ্যের ওইহন্নবা খনখ্রবা মতুংদা হৌজিক রুলিং কম্যুনিষ্ট পার্টিগী চ্যের অহুম লৈরে। ওলিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভ মুত্থৎখিবা মতুংদা রুলিং পার্টি মনুংগী মুক্নবা কনখৎলকখিবনি।

## রশিয়াদা থেংনবা ম্যুটেসনশিং বৃটেনগীগা মরী লৈনদে

মোস্কো, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
রশিয়াদা পুন্না কোভিদ-১৯ গী ম্যুটেসন ১,৪২৪ দিটেক্ট তৌরে, তৌইগুম্বসুং মখোয়গী মনুংদা অমত্তা য়াম্না লৌনগল্লি হায়রিবা হন্দক্তা বৃটেনদা থেংনখিবা অনৌবা ষ্ট্রেন মদুগা মরী লৈনদে হায়না লৈবাক অসিগী কঞ্জ্যুমর রাইটস ৱাটচদোগ রেস্পোত্রেবনদজোরনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মসি হান্নদগী থেংনবা থৌওং অমনি। ম্যুটেসনশিংসিগী মনুংদগী অমদা শন্দোকপা ঙম্বা অমসুং লায়না পোকহনবা ঙম্বা য়াওনা ভাইরস অসিগী মতিক ময়াইশিংদা অহোংবা লাকহনবগা মরী লৈনদে হায়না পোপোভানা কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সনশিং লাকশিনবগা মরী লৈনবা রশিয়ন গভর্ণমেন্টগী কোওর্দিনেসন কাউন্সিলগী মীফম অমদা ফোঙদোকখি।

রশিয়াগী কোভিদ-১৯ রেসপোন্স সেন্টরগী মতুং ইন্না, লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা অহেনবা কোভিদ-১৯ কেস ২৮,৭৭৬ দিটেক্ট তৌদুনা মমাঙগী নুমিত্তা থেংনখিবা কেস মশীং ২৯,৩৫০ দগী হন্থখি।

লৈবাক অসিগী কোভিদ কেস মশীং হৌজিক ফাওবদা পুন্না ২,৯০৬,৫০৩ শুরে। শিখিবশিংগী মশীংনা ৫১,৯১২ নি অমসুং লায়েংবদা ফরকপশিংগী মশীংনা ২,৩১৯,৫২০ নি। লায়চৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা রশিয়াগী লমদমদি মোস্কোনি। কেপিটেল রিজন অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা অনৌবা কেস ৭,২৩৭ থেংনখিবগা লোয়ননা সিটি অসিগী অপূনবা কেস ৭,৫০,৯৩৪ শুখ্রে হায়রি।

## হোং কোংগী মীদিয়া টাইকুন জিম্মি লাই বেল পীখ্রে

হোং কোং, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
অনৌবা নেস্নেল সিক্যুরিটি লো অমগী মখাদা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা হোং কোংগী প্রো দিমোক্রেসি মীদিয়া টাইকুন অমা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বেল পীখ্রে। মহাক হাউস এরেষ্ট তৌবা অমসুং সোসল মীদিয়াপোষ্ট থিংবা য়াওনা অকনবা কন্দিসন খরগী মখাদা বেল পীখিবনি।



বৈজিংগী মরু ওইবা ক্রিটিক অমা ওইরিবা জিম্মি লাই অসি গভর্ণমেন্টগী থবক থৌরমশিং অমদি পোলিসিশিংগী মায়োক্তা লৈরিবশিংবু লাকশিন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা চাইনা ফাইনান্সিএল হব অসিদা থমখিবা সিক্যুরিটি লোগী মখাদা মরাল শিখিবা মশক নাইবা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি।

মঙোন্দা শিরিবা মরালদি সিটি অসিগী প্রো দিমোক্রেসি প্রোটেষ্টশিং লাকশিন্নবা ওথোরিটিশিংনা অকনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎপগী পাউখুম ওইনা হোং কোং অমসুং চাইনাগী মায়োক্তা লৌখৎপগী পাউখুম ওইনা হোং কোং অমসুং চাইনাগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থম্নবা মপানগী গভর্ণমেন্টশিংদা আপীল তৌদুনা মপানগী লৈবাকশিংগা খূৎশম্নবগী থৌওং চথে হায়বসিনি।

মশাগী চহী ৭৩ শুরবা লাইথা অসিগী অঙনবদা লৱার কোর্ট অমদা ফল্লিবা নেস্নেল সিক্যুরিটি জজ অমনা ৱায়েল চথদ্রিফাওবা ফাজিন্দুনা থম্নবা খঙহনখি। তৌইগুম্বসুং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মহাক্কী লিগেল টিমনা সিটি অসিগী হায় কোর্টতা আপীল তৌখি। মহাক নেস্নেল সিক্যুরিটি কেসশিং পায়নবা হাপখিবা হেন্না সিনিয়র ওইবা জজ অমনা বেল পীখিবনি।

লাইবু হোং কোং দোল্লর মিল্লিয়ন ১০ গী বোন্দ পীনবা জজ অলেক্স লীনা ওর্দর তৌখি অমসুং অতৈ কন্দিসন কয়াসু থমখি। মহাক য়ুমদগী হেন্দাক্না লৈগদবনি, ত্রাভেল দোক্যুমেন্ট পূম্নমক সরেন্দর তৌগদবনি অমসুং চাইনাদা তাথীবা মিৎয়েংনা য়েংঙি হায়না খন্নবা ফোরেন ইন্সটিট্যুসনশিং নত্রগা ফোরেন ওফিসলশিংগা উনবা য়ারোই।

লাইবু সোসল মীদিয়াদা পোষ্টশিং থাগৎপা, মীদিয়াদা ষ্টেটমেন্টশিং থোকপা নত্রগা ৱা ঙাঙবদসু অথিংবা থমখি। বেল হিয়ারিং মনুংদা প্রোসিক্যুটরশিং অমসুং দিফেন্সনা পীরিবা লিগেল অর্গ্যুমেন্টশিং অকুপ্পশিং ফোঙবসু কোর্টনা অথিংবা থমখি।

লাইগী এপল দেলি পাউচেদা মশাদা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমদা মহাক্কী মায়োক্তা প্রোসিক্যুসননা পুথোরক্লিবা কেস অদু অয়াম্বনা জনগী অথেংবদা নেস্নেল সিক্যুরিটি লো চৎনখিবদগী মহাক্না মীদিয়াদা পীখিবা ইন্টরভিয়ুশিং অমসুং ত্বিটরদা থাগৎখিবা পোষ্টশিংদা য়ুম্ফম ওই হায়না পনখ্রবনি।

## ফ্রান্সনা লম্বী থিংজিনখিবদগী ইংলেন্দদা ত্রক দ্রাইভরশিং পুলিসকা মুক্নখ্রে




দোভর, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
য়াম্না লৌনগনবা কোরোনা ভাইরস ভেরিএন্ট শন্দোরকপা থিংনবা ফ্রান্সনা পার্সিএল ব্লোকেদ থমজিনখিবদগী ত্রক দ্রাইভর কয়া ইংলেন্দগী লম্বীশিংদা পন্দুনা লৈনখিবগা লোয়ননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা দোভরগী লম্বীশিংদা খোয়রাং খোইশাওনরবা ত্রক দ্রাইভরশিংগা পুলিসকা মুক্নখ্রে হায়রি।

অনৌবা ম্যুটেটেদ কোভিদ ভেরিএন্ট লাকশিন্নবা মালেমগী লৈবাক কয়ানা বৃটেনগা চথোক চৎশিন তৌনবা লেপ্নবা ৱারেপ লৌখিবদগী লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা পেরিস অমসুং লন্দননা কোভিদ-১৯ টেষ্টকী নেগেটিভ রিজল্ট পায়বা দ্রাইভরশিং ফ্রান্সকী কলে য়ৌগদবা ফেরিশিংদা তোংবা য়াহনবা হায়না য়ানখি।

বৃটিশ মিনিষ্টর অমনা ফোঙদোকখিবদা মিলিটরিনা দ্রাইভরশিং টেষ্ট তৌবা হৌরগনি। তৌইগুম্বসুং হান্নগী পন্দুনা লৈরকপশিং টেষ্ট তৌবদা মতম খরা চঙগনি। ফীভম অসি লৈবদগী য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্লমদাইগী মতম অসিদা চানা থক্নবা পোৎলমশিংগা মরী লৈননা বৃটেনগী খ্বাইদগী মরু ওইরিবা লম্লোন ইতিক্কী লম্বী অদুদা ত্রক ময়াম পরেং লেংলগা লৈখি। টি ভি ফুটেজদা দ্রাইভরশিংনা অমম্বদা মখোয়গী ত্রক হোর্নশিং খোঙবা অমসুং অমত্তা ওইনা লাইট কাপ্পা অমদি অয়ুক অঙনবদনা হিথাংফম মনাক্কী লম্বীশিং অদুদা পুন্দুনা তৌফম খঙদনা লৈবগী শক্তম উবা ফঙখি।

দ্রাইভরশিং অদুগা পুলিসকা ঙাইহাক অৱাই অখুম তৌনদুনা মুক্নখি। বৃটেননা দিসেম্বর ৩১ দা ঈ য়ু থাদোক্ত্রিঙৈগী মতম অসিদা ত্রকশিংনা কম্পনিশিংদা পোৎ চৈশিং হোনখি। বৃটেননা ব্লোক অসি থাদোক্লবা মতুংদা বোর্দরদা মপুং ফাবা কষ্টমসকী চৎনবী হৌরকপগা লোয়ননা লাক্লিবা জন্যুৱারিদা ত্রকশিংনা পোৎচৈশিং পুথোক পুশিন তৌবদা চাওনা অকাইবা লাক্লগনি হায়না থাজনরি।

কষ্টমসকী চে চাং কয়া পুদুনা চৎপা চঙগদবনা য়ুরোপকী দ্রাইভর কয়া ন্যু য়রদা বৃটেনদা লাক্লরোই হায়রকপা লৈ হায়না লোগিষ্টিক্স গ্রুপশিংনা ৱার্নিং তৌখি। কোভিদ-১৯ গী টেষ্ট তৌবা চঙলক্কদৌরিবা অসিনা ফীভম অদু হেন্না লুশিনহল্লগনি।

ফোং ফোং শাবা চানবা পোৎলমশিং নত্রগা ইরুজনবগী খুদোংচাবা ফঙদ্রবা লম্বীদা ত্রকশিংদা পন্দুনা লৈরিবা য়ুরোপিয়ন দ্রাইভরশিং অদু খৃষ্টমাস নংনবা ইমুং মনুংশিংগা পুনবা ঙম্লরোই খনবদা খোইরাং খোইশাওখি।

লম্বীদা অসুম্না খুদোংচাদবা নংহল্লিবসি কোরোনা ভাইরসনা নত্রগা অতৈনা নত্তে। ব্রেক্সিটনা মরম ওইদুনা ইন্টরনেল পোলিটিক্স নত্রগা মান্নবা মওং অমনা ওইহনবনি হায়না স্পেনিস লোন ঙাঙবা দ্রাইভর অমনা ফোঙদোকখি।

## সিরিয়নশিংগী মায়োক্তা অথিংবা থমখ্রে

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
সিরিয়ন গভর্ণমেন্টদা মখা তানা প্রেসর পীনবগীদমক্তা য়ু এসনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সিরিয়ন ইন্দিভিজ্যুএল অমসুং এন্টিটি কয়াগী মায়োক্তা অথিংবা মখল কয়া লাউথোকখ্রে।

য়ু এস ত্রেজরি দিপার্টমেন্টনা ইন্দিভিজ্যুএল তরেৎ, বিজিনেস এন্টিটি মাপন অমসুং সেন্ত্রেল বেঙ্ক ওফ সিরিয়া দিপার্টমেন্ট অসিগী ব্লেকলিষ্টতা হাপচিনখি। মখোয়গী মনুংদা সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাশর অল অশাদকী লোয়নবী অসমা অল অশাদকী ইমুংগী মীওই মরি য়াওখি। মখোয় অথিংবা থম্বা য়াবশিংনি হায়না চহী অসিগী অঙনবদা লাউথোকখ্রবনি। সিরিয়াগী মিলিটরি ইন্টলিজেন্সকী কম্যান্দর অমসুং সিরিয়ন প্রসিদেন্সিগী সিনিয়র ওফিসল অমসু টার্গেট তৌখি।

ত্রেজরিনা ফোঙদোকখিবদা য়ু এসতা লৈরিবা দেজিগনেটেদ এন্টিটিশিং অমসুং ইন্দিভিজ্যুএলশিংগী প্রোপর্টি অমসুং ইন্টরেষ্ট পুম্বা থিংজিল্লে। য়ু এসকী মীওইশিংনা মখোয়গা ত্রাঞ্জেক্সন মখল অমত্তা তৌনবা য়ারোই। মখোয়গা অকক্নবা ত্রাঞ্জেক্সন খরা তৌনরিবা য়ু এসকী নত্তবা মীওইশিংসু অথিংবশিং থল্লকপা য়াই। খোঙথাং অসিগী পাউখুম ওইনা য়ু এসনা সিরিয়াগী মায়োক্তা ইকনমিক টেররিজমগী থৌওং চথরি হায়না সিরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

## ন্যুক্লিয়র দিল চৎনহন্নবগী থৌরাং লৌখৎনবা আপীল তৌখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
ইরান ন্যুক্লিয়র দিল চৎনহনবা য়ানবগী খোঙথাংশিং লৌখৎনবা চাইনিজ এনভোইনা আপীল তৌখ্রে অমসুং য়াম্না থুনা এগ্রীমেন্ট অদুদা অমুক য়াওশিন্নবা য়ু এসতা তকশিনখ্রে।

ইরান ন্যুক্লিয়র দিল অসি সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসন ২২৩১ না শৌগৎপা লোনা য়াবা লৈবাক কয়ানা শরুক য়াবা দিপ্লোমেসিগী মরু ওইবা এচিভমেন্ট অমনি অমসুং মসি মায় পাক্না ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈরিবা চাইনাগী দেপ্যুটি পার্মিনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ গেং সুৱাংনা ফোঙদোকখি।

সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা ৱা ঙাঙলদুনা সুৱাংনা হায়খি, কুমজা ২০১৫ গী এগ্রীমেন্ট অদুবু কাইহন্দনা লৈহনবা হায়বসিনা মল্টিলেটরেলিজম শৌগৎপা লোয়ননা মিদল ইষ্টতা তংদু লৈতাবগী ফীভম লাকহনবদা মতেং পাংগনি। মসিনা ইন্টরেস্নেল ন্যুক্লিয়র নন- প্রোলিফারেসন রেজিম কাইহন্দনা লৈহনগনি অমসুং ইন্টরনেস্নেল ওর্দর কায়হন্দবদা মতেং পাংগনি।

য়ু এসনা কুমজা ২০১৮ গী মেদা নাকল নাম্মগী ওইবা ৱারেপ লৌদুনা দিল অদুদগী ৱিথদ্রো তৌখিবা, ইরানদা মখা তানা অকনবা প্রেসর পীবা অমসুং মরী লৈনবা পার্টিশিংনা এগ্রীমেন্ট অদু কাইহন্দনবা হোৎনবদা অয়েৎ অপন পীবা অসিনা ইরানগী ন্যুক্লিয়র ইশ্যু অসিগী নুংঙাইতবা ফীভম অসি লাকহনখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি ইশ্যু অসিদা অহোংবা কয়া লাক্তুনা অনৌবা খুদোংচাবশিং অমসুং শীংনবা কয়া থোরক্লে। মরী লৈনবা পার্টি খুদিংমক্না পুক্নিং ফাথদুনা এগ্রীমেন্ট অদুবু চপচানা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## কোভিদ কেস ৱাংখৎলকপদগী ইরাকনা লৈবাক নিপান্দা চৎপদা থিংখ্রে

বাঘদাদ, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
ইরাক পুম্বগী ওইনা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন মশীং ৫৮৬,৫০৩ য়ৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা কোরোনা ভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেন শন্দোরক্লবা লৈবাক নিপানদা চৎপা থিংবা য়াওনা অথিংবগী থৌরাং কয়া লৌখৎখ্রে।



ইরাকি প্রাইম মিনিষ্টর মুষ্টাফা অল কাধিমিগী মীদিয়া ওফিসনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, হন্দক্তা লৈবাক কয়াদা শন্দোরকখ্রবা য়াম্না লৌনগনবা কোরোনা ভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেন অদুদগী ইরাককী মীয়াম্বু ঙাকথোক্নবা অনৌবা অথিংবগী থৌরাংশিং লৌখৎনবা অল-কাধিমিনা লুচিংবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরগী মীফম অমা ফোঙদোকখ্রে।

অনৌবা থৌরাংশিং অদুগী মনুং চন্না কাউন্সিলনা বৃটেন, সাউথ আফ্রিকা, ওষ্ট্রেলিয়া, দেনমার্ক, নেদরলেন্দস, বেলজিয়ম, ইরান, জপান অমসুং ইরাকি হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা রিকম্মেন্দ তৌরকপা য়াবা লৈবাকশিংদা চৎপদা অথিংবা থম্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

কাউন্সিলনা ইরাকি সিটিজনশিং নত্তনা ফোরেন ত্রাভেলরশিং চঙলকপদসু অথিংবা থমখ্রে। মপানদগী হল্লক্লিবা ইরাকি সিটিজনশিং নুমিৎ ১৪ নি ক্বারন্টিন তৌরবা মতুংদা দি সী আর টেষ্ট তৌদুনা মখোয় কোরোনা ইনফেক্সন লৈতে হায়বসি উৎকদবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখাতাখি। কাউন্সিল অসিনামতমগী মতাংদা অকুপ্পা পন্দনা ইমর্জেন্সিশিংখক্কী নত্তনা গ্রাউন্দ বোর্দর ক্রেসিং খুদিংমকসু থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

মসিগী মথক্তা কাউন্সিলনা মোলশিং, রেষ্টোরেন্টশিং অমসুং অতৈ মী তিনগদবা ফেসিলিটিশিং দিসেম্বর ২৪ দগী হৌরগা চয়োল অনী চুপ্পা থিংজিন্নবগী ৱারেপ লৌখ্রে। হায়রিবশিংসিগী মথক্তা ইমপ্লোয়ীশিং অমসুং সিটিজনশিং মাস্ক উপ্তুনা গভর্ণমেন্ট ইন্সটিট্যুসনশিংদা চঙবদা অথিংবা থল্লে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থকী রিপোর্ট মতুং ইন্না, ইরাকতা অনৌবা কেস ১,১৫৮ দিতেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অপুনবা ইনফেক্সন মশীং ৫৮৮,৫০৩ য়ৌরে। ইনৌ নৌনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না মীওই ১৫ শিহনখিবগা লোয়ননা লায়না অসিনা লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা শিহনবা মী মশীং ১২,৭২৫ শুরে। খ্বাইদগী নৌবদা লৈবাক অসিগী কোভিদ পেসিএন্ট ১,৭০৭ লায়েংবদা ফদুনা ফরকপশিংগী মশীং পুন্না ৫২৪,৩৪৪ শুরে। ফবগী চাং অপূনবা ইনফেক্সন মশীংগী চাদা ৮৯ দগী হেল্লি হায়রি।